ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, মার্চ ২৫, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৭শুবা চহী, ০০২শুবা মশীং

# মপান্দগী মীতোপ

## পূম্নমক ৱাখল তামিন্নগদবনি

মণিপুরদা মপান্দগী মীওইশিং চঙলকখিবা নৎত্রগা পুশিল্লকপগী থৌওংসি ঙসি-ঙরাংতগী ৱাফম নত্তে। হৌখ্রবা চহী ১০/২০ নৎত্রগা ৪০/৫০গী মমাঙগী ওইবা থৌদোকসু নত্তে। নিংথৌ পান্দুনা নিংথৌগী লৈঙাক লৈরিঙৈদগী হৌরকখ্রবনি। নিংথৌনা অতোপ্পা লৈবাক্তা লান তারুবা নৎত্রগা লান পাংবা চৎলুবনচিংবা থৌদোকশিংদগী ফারগা পুরকখিবসু য়াওই। পুরকখ্রিবশিংদু মণিপুরদা মথৌ তারক্কনি অমসুং শীজিন্নবদা কান্নগনি খনবদগী পুরকখ্রিবনি। মখোয়দা মণিপুরগী নুপীশিং ফাওবা থাজদুনা য়ূম্নাক্নচিংবা পীদুনা খুন্দা লৈতাহনখ্রিবনি। মণিপুরগী মীওই, মশাগী মশা ওলহন্দুনা লৈহল্লকখ্রবনি। নিংথৌগী লৈবাক লৈঙাক্লোনদগী কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩গী খোংজোমদা শোক্নখিবা মণিপুরগী নীংতম লান মায়থীখিবদগী বৃটিশনা ৱায়েল চুপ্লি শুপ্পায় পায়শিনখিবনি। মখোয়না লৈবাক লৈঙাক্লিঙৈদসু পুশিল্লকখিবা মীওইশিং লমদমসিগী লোনগা য়েন্মৌনবা, মণিপুরী লোনগী নত্তবা ৱাহৈদা থোন্দুনা খুন্দা-লৈতাহল্লন্বসু য়াওরিবনি। হৌজিক ফাওবা লৈরিবনি। অদুগা লৈবাক নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী হৌরকখিবা মপানগী মীওইশিং পুশিল্লকপা/চঙহল্লকপগী থবকসি মণিপুরনা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা মসিগী শরুক অমা ওইরকখিবদগীনা ঙসি ফাওবদসু লেপ্তুনা চত্থরক্লিবনি। অসুম্মাইনা চহী কয়া লিশাং শিংনা মপান্দগী মীওইশিং শুংলেপ লেপ্তুনা চঙশিল্লকখিবনা তম্পাক্কী পীকখ্রবা মফম পূম্নমক মখোয়না লাঙ্গোই চনশিল্লক্লিবনি। তম্পাক্তগী হেন্দোরক্তুনা চীংগী প্রোটেক্টেদ অমসুং রিজর্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াশিংদা ফাওবা এনক্রোচ তৌশিল্লক্তুনা অনৌবা খুল কয়া তাশিল্লক্লিবনি। মখোয়গী হিংনবগী অরায়বা পান্বৈশিং থিরকপদা ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং শুংবা য়াবা পান্বীশিং উমং-ৱামং কোকথোক্তুনা পাক্তক্নগা থারক্লিবনি। মসিনা মণিপুরগী অঙৈং-অশাগী খল কায়হল্লকপদা নত্তনা ষ্টেটসিগী য়েলহৌমীশিংদা অচৌবা চৈফু অমা পীরকপা হৌরক্লবনি।

মরমসিমক্না মীশি-মীনা ফাওবা য়াওনা ইন্নর-লাইন পর্মিট (আই এল পি) সিষ্টম চৎনহন্নবা অকনবা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবগী মহয়না য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অয়াবা পীরকপদগী আই এল পি সিষ্টম চৎনখ্রিবনি। অদুবু মসিদি মণিপুরদা নৌনা চঙলকপা মপানগী মীওইশিংগী রেগ্যুলেট তৌবা খক্তদগী হেন্না মায়কৈ ফাংনা কান্নরক্তবদগী মণিপুর ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংবগা লোয়ননা ষ্টেটসিদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন (এন আর সী) চৎনহল্লু হায়রকপনি। অদুবু মণিপুরগী মীয়াম্না মরু ওইনা চীংগী মহৈরোয় লূপ অমা ফাওবা য়াওনা দিমান্দসি তাল্লদুনা ন্যু দেল্লীগী জন্তর-মন্তরদা ফাওবা খোঙজংসি চঙশিল্লুরবসু দিমান্দশিং অসিগী মতাংদা পূক্লিং লূম্বা ফীভম অমদি ওইদ্রি। অদুবু মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাহংদি ষ্টেট লৈঙাক্নসু খূৎমাবা হৌরন্নবা দিমান্দ অনীসিনা হৌজিক ফাওবদা ঙানি-ঈশিংনি খঙদনা লৈরক্লিবা করিগীনো? মণিপুরগী ষ্টেট পোপ্যুলেসন লিংলগা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন (এন আর সী) চৎনহনবদা ৱারৌ পুক্লৌগদবশিং লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ-কাঙলূপ ৩০ হেনবগী মরক্তা য়াওব্রা? মদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা খুনু মখোঙ শন্লৌবা ওইনা থোকহনব্রা? তশেংনমক হায়রিবা ফীভমসি থোক্নমলগদি মসিবু থোকহল্লক্লিবা ফুরুপশিংদু মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমীশিং ওইগদৌরিব্রা? হৌজিক্কী মণিপুরদা তঙাইফদবা, চৎনহন্দবা য়াদ্রবা অমা ওইরক্লিবসি লিংদুনা চৎনহন্দবা য়াদ্রবা অমা ওইরক্লিবসি লিংদুনা চৎনহন্নবা হোৎনবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী অয়াবা তঙাইফদনা চঙলবসু মদুবু পীরক্নবা অকনবা প্রেসর তৌগদবনি। পীরক্তবা য়াদে পীরকউ হায়গদবনি। করিগুম্বা থবকসি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবদি মণিপুরগী পুৱারীদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মমিং সনাগী মুক্না ইদুনা লৈহৌগদৌরিবনি। মরম অসিনা ঙাইহাক লৈতনা ‘ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট’ হায়দুনা চিন্দোন লৈতোন্দা পকপগী মথক্তা থবক ওইনসু ওন্থোরক্তুনা চৎনহন্নবা হোৎনরকউ। থবকসিদা থেংথরবদি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং মুৎখিবা য়াবগী অকিবা হেন্না পাকথোক চাওথোকহল্লক্কনি। ষ্টেট লৈঙাক্নসু তৌফম থোকপশিং পন্থদনা তৌরকউ। অদুগা চীং অমসুং তমগী মীয়াম্নসু চপ মান্নন্না ৱাখল তামিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই।

# ꯃꯄꯥꯟꯗꯒꯤ ꯃꯤꯇꯣꯞ

## ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯋꯥꯈꯜ ꯇꯥꯃꯤꯟꯅꯒꯗꯕꯅꯤ

# লাইরিক পাবা মীদসু এৱার্দ


**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ঐগী মরুপ মপাং খরখক্তং লৈজে। মখোয়দু ঐনা মরুপ ওইনবগী মরমদু হায়জৌরা? মখোয়দু লাইরিক য়াম্না পায়, হয়েংৱাইফাও লাইরিক সুম পাদৌবা মাল্লি হায়দুনা মরুপ ওইবনি। ঐনা সুম খঞ্জবদা লাইরিক য়াম্না পাবা মীশিংসি ৱারী শানবদা য়াম্না নুংঙাইবা, ৱাখল থোকহনবা ঙন্বী-ঙন্বা মী ঙাক্তা ওই লৈরম্মী। লাইরিক পাদবা মীদি ৱারী শাবদা খরা পাউ ফাওনবা ৱাজে, ঐগী ৱানি। লাইরিক পাদবা মীগী পুন্সি কল্লকপা পোক্তে। লন্নাই ৱানি।

করিগুম্বা মতমদা, লাইরিক ইপা পাদবা, পাদবা, পাবা তনবা, পাবা শংদবা, পাবা হৈতবা, পাবা কান্নদে খনবা কাঙবুনা ফজ ফজবা, মানবা ৱাহৈ লৈতেং কয়া মীখলগী মতমদা ঙাঙলকপা, নৈনরকপা লৈ। চা থকফমদা লৈরক খুল্লক্তা লৈঙাক্লোন, খুনঙাকলোন নৈনরকপা য়াওই। তানীংবা ৱা ওইদে। লাইরিক পাবা মীনা ঙাঙলকপা ৱাগীদমক ঐনা থাঙ্গৎলি। অদুনা ঐগা ৱারী শানরিবা মীদু লাইরিক পাদবা য়াদে, মরমদি ঐনা মঙোন্দগী ৱা কয়া খঙদোক্কদবা, হৈদোকহৌগদবা লৈজে।

লাইরিক পাবা মীনা চা-বোরা য়োনফমদা ঙাঙবা ৱা য়েৎলুবা য়াদে, য়েৎলুবা ঙমদে, য়েৎলুবদা মখোয়না শাউই, মখোয়না সুম ঙম্মী। লাইরিক পাদবা মীগা ৱারী শাবা অরায়বা নতে। তাবসু ৱায়, মখোয়দগী। ঙাঙবদি মানা সুম ঙাঙগে হায়, হোয় হায়না সুম তাই। ঐখোয়না তাবা ৱারে হায়বসু মানসু খঙজ ঙমদে।

মণিপুরদা লাইরিক পানদ্রে, লাইরিক শীৎত্রে হায়বসি ঐনা খঙলকপদদা চহী কুন্থ্রানিথোইগা থা মরিরোম শুরে। পানদ্রে হায়রিবসি খঙনা খঙনা লাইরিক ফোঙবদি লেপ্পরক্তে। কোভিদ-১৯ নারিঙৈগী মতাং অদুদা চহী অনীরোম লাইরিক ফোঙবা লেপ্পখিবা নত্তনা। ফোঙবফাও লেপথোকখ্রবদি কমদৌনি, পাবা তন্নরিঙৈ চৈরক অসিদা? পাবগা ফোঙবগা চপ মান্ননা লেপখ্রবদি লৈবাক অসি কমদৌবা তাবগে? মী অমবু লাইরিক পাদে হায়রুবা য়াবা ৱা নত্তে, মানা ঙাঙথোরক্লিবা ইথোরক্লিবা অদুদগী হায়বদি য়াই। মী অমবু লাইরিক ফোঙই, ফোঙদেসু হায়রুবা য়ারোই, মানা লাইরিক ফোঙলিব্রা, ফোঙদ্রিবরা, ইরিব্রা ইদ্রিবরা হায়বা অদুদগী হায়বনি।



হৌজিক হৌজিক লাইরিক ইবগীদি মনা য়াম্না পীনরে। লাইরিক পাবগী মনাদি লৈত্রি। মনা য়াম্না লৈবা মফমদা মনাগী চানবা থবক লৈবনি, মনা লৈতবা থবক্কী কনানা থবক অদু তৌনীংগনি? লাইরিক য়াঙ্খ্রে হন্দক্কী চহী অসিদা পারে হায়দুনা মদুগা মরী লৈনবা অশম্বা ৱারী মরীক চুম্না থাগৎলকপা ঙন্বা মী অদুদা য়ামদ্রবদা চহী খুদিংগী লাখ মঙা/মঙাগী নৎত্রবসু লুপা লিশীং য়াঙ্খ্রেগী মনাদু পীবীবা তারবদি লাইরিক পাবা মী থোরক্তবা য়াব্রা য়েংসি। মদুদা থোরক্ত্রবদি থোরক্ত্রবা হায়বদুনি ইবা তোক্লফাও য়ারে। চুম্মী, ইরিবা, পারিবা, ফোঙলিবা অসি খরা পূক্লিং থৌগৎপা য়াব্রা হায়বদংগীনি, ইবগীদি ফনা য়াম্না লৈখ্রে। লাইরিক পাবা মীদা পীবা এৱার্দ অমত্তা ওইরবসু পীহন্নীংই অমদি পীহঞ্জন্নীংই। ইবখক্তংবু কন্না থৌগৎপগী মওংনি, পাবগীদি ইৱাৎ ৱাৎলে। পানদ্রেসু হায়রে, পানদে হায়বদু ঙাঙলকপদগীসু খঙনরে অদু ওইরবদি লাইরিক পাবা থোইহেনবা, লাইরিক পাবী চঙখোনবী মনা হায়দুনা হৌদোকপা অসিবু কা হেনবা থবক করিসু তারোইদা? মসি তঙাইমক ফদ্রে হায়বা য়াদ্রিবরা? লাইরিক হায়রগা করিনা লাইরিক ওইবা য়াবগে? তেক্স বুক্তি লাইরিক চিংবা য়াহনসি-য়াহল্লোইসি, পাউচেগী ৱারেং অসি লাইরিক চিংহনফম থোকপ্রা-থোক্তব্রা মদুসু খন্নবা অমা চঙই।

লাইরিক পাবা মী য়াম্না থোরক্লি মতিক খুন্নাইদা ৱারী শাবা য়াবা, খন্ন-নৈনবা ঙন্বা, ঈং-তপ্পা, ঐনা মহেল্লে হায়দবা, ঈং তপ্পা নুংঙাইবা অমা পুরকপা হায়বসিদি ফক্লাংদা লৈতূম্না থাবগুম্লবনি। ৱা খন্নবা য়াদবা, তাবদা ৱাবা, ৱা কয়া মাইক্রোফোন মমাঙদা লেপ্পগা ঐ ইশক ফজৈ হায়না এক্টিং তৌরম্বা কয়া সুম সুম হন্থরক্কনি। শোয়দ্রবনি, শোয়দ্রবা। ৱারী ৱাতায় ফজনা শাবা য়াবা মী য়াম্না পুথোকপদা মায় ওনশিনমিন্নসে! ●

# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ চা-চন্দন অঙৌবা # ৩৮৪

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

চা-চন্দন অঙৌবা নৎত্রগা চন্দন অঙৌবা নৎত্রগা চা-চন্দন হায়রিবা পান্বী অসি খ্বাইদগী অতাঙবা হায়বদি মমল য়াম্বা পান্বীশিংগী মনুংদা অমনি। চা-চন্দন অঙৌবা পান্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান সেন্দলৱুদ (Indian Sandalwood), সংস্কৃটতা চন্দনম (Chandanam), হিন্দিদা চন্দন (Chandan), অসামিজদা বোগা-চন্দন (Boga-Chandan), বেঙ্গোলিদা চন্দন (Chandan) নৎত্রগা শ্বেতচন্দন (Swetchandan), চাইনিজদা তান জিয়াং (Tan Xiang) হায়না কৌই। হ্বাইট সেন্দলৱুদ নৎত্রগা ইষ্ট ইন্দিয়ান সেন্দলৱুদ (East Indian Sandalwood) নৎত্রগা সেন্দল ত্রী (Sandal Tree) হায়নসু কৌনবা চা চন্দন অঙৌবা পান্বী অসিগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা সান্তালম এলবম (Santalum album L.) হায়না কৌই অমসুং সান্তালেসী (Santalaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। কুমজা ১৮১০দা Robert Brown না Prodromus Florae Novae Hollandiae দা ফোঙখিবা সান্তালম ওভেতম (Santalum ovatum) হায়রিবা স্পিসিস অদু চা-চন্দন অঙৌবা (Santalum album L.) হায়রিবা স্পিসিস অদুমক্লি হায়না Alex George না কুমজা ১৯৮৪দা পাউদমখি। চা-চন্দন অঙৌবা পান্বীগী জিন্‌স সান্তালম হায়বসি পান্বী অসিগী সংস্কৃতকী ওইবা মমিং চান্দানম হায়বগী অর্থ অগর্বতিগী অচাকপা উ (Wood for burning incense) অদুগা চন্দ্র (Condrah) হায়বনা অরংবা অমসুং মশেক-মঙাল থোকপা (Shining, glowing) অসিদগী থোনখিবনি অদুগা স্পিসিসকী মমিং এলবম (album) হায়বসিনা অঙৌবা হায়বদি পান্বী অদুগী অঙৌবা মচুগী উ অদুদগী থোনখিবনি।



পাউদমশিংগী মতুংইন্না চা-চন্দন অঙৌবা পান্বী অসি ত্রোপিকেলগী ওইবা অশাবা ইন্দিয়ান পেনিন্সুলার, নোংপোক থংবা ইন্দোনেসিয়া অমসুং অৱাং থংবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মফমশিংদগী হৌরকখিবনি। চহী ৪,০০০গী মমাঙদগী চা-চন্দন অঙৌবা পান্বী অসি শীজিন্নরক্লে হায়না থাজনৈ। চা-চন্দন অঙৌবা পান্বী অসি ইন্দিয়া, শ্রীলঙ্কা, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, ফিলিপিন্স অমসুং অৱাং থংবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মফমশিংদা পাক শন্না থানৈ। ফুট ৩০ ফাওবা ৱাংবা, মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা চা-চন্দন অঙৌবা পান্বী অসি হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা অশেংবা পান্বী অমনি হায়না লৌনৈ। পান্বী অসিগী উ অসিদা থোইদোক-হেন্দোক্না মনম নুংশিবা থাও অমা য়াওই অমসুং হায়রিবা থাও অদুদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিং অদুদি অলফা-সান্তালোল ($\alpha$-santalol) অমসুং বিতা-সান্তালোল ($\beta$-santalol) য়াওই অমসুং মসিনা থাও অদুগী চাদা ৮০ রোম ওই। চা চন্দন অঙৌবা পান্বীদগী থাও অদু ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯১৭তা ঙসিনা মৈসুরু (Mysuru) হায়না খঙনরিবা মৈসুর (Mysore) দা শুংদোকখি হায়না পাউদন্লি। ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৪৭তা স্বিটজর্লেন্দগী Givaudan হায়রিবা মীওই অসিনা চা-চন্দন অঙৌবা পান্বীগী থাও অদু মতৌ তমদুনা লেবোরেটরিদা খূৎশেমগী ওইনা পুথোকখি অদুবু অশেংবা থাও অদুগী মগুন অদুদি য়ৌবা ঙমখিদে। অশেংবা থাও অদুদি মমল য়াম্না তাঙবা মরম্না মমল য়াম্না হোঙবা খূৎশেমগী থাও অদু ঙসিদি পাক-শন্না শীজিন্নরি।

চা-চন্দন অঙৌবা পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নরি। পান্বী অসি অদুক্কী মতিক পাক-শন্না শীজিন্নবা অমদি য়াম্থৎখিবদগী ঙসিদি খুদোং থীরগদবা ‘ভলনরেবল’ (Vulnerable) গী কাঙলূপ্তা চনখরে হায়না ইন্টরনেসনল য়ুনিয়ন ফোর দি কঞ্জর্ভেসন ওফ নেচর (আই য়ু সী এন) না পাউদন্লি। হীদাক ওইনা চা-চন্দন অঙৌবা পান্বীগী উ মচেৎশিং অদু ঈশিংদা পুং খরা তিংলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা পুক নুংশিৎ কাবা অদু লায়েংনৈ। হায়রিবা মহী অদু পীথকপদা ঈতোন ফায়বা (Dysentery) অদুদসু থোইদোক্না কান্নহল্লি। হক্কী ঈশিং মরী নুংঙাইতবা অমদি নুপা-নুপীগী ফিনুংগী লিঙ্গ অদু মপাঙ্গল শোন্থবা অমদি ফিঙৌ চৎপদা চা-চন্দন পান্বীগী উগী মকুপ অদু অশাবা শঙ্গোমদা নৈখায়রগা পীথক্তুনা লায়েংনবা অসি কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি।

চা-চন্দন অঙৌবা পান্বীগী উ মচেৎ অমা নূঙদা তক্লগা লৌবা অনংবা মহী অদু হকচাংদা তৈবদা কালেন নুংশাগী শারবা মৈশা অদু ঙাকথোকপগী মথক্তা উনশা অদু তেক্তা-কায়দনা থম্বসু ঙম্মী। কনাগুম্বা মীওই অমা য়াম্না তোয়না হুমাং শৌগনবদসু হায়রিবা অশেম্বা মহী অদুনা হকচাংদা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। হায়রিবা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবদা মায়দা থুংবা উরিং (Pimple) অদুসু ঙাকথোকপদা থোইদোক্না কান্নহল্লি। চা-চন্দন অঙৌবা পান্বীগী থাও অদু মখল কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং মরু ওইনা ইরাইসিপেলাস (Erysipelas) অমসুং স্কেবিজ (Scabies) অসিদা লায়েং হীদাক ওইনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। হায়রিবা থাও অদু উরিং থুংবদসু তৈদুনা শীজিন্নৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা অরুম-লাইহৌ তৌরবদি চা-চন্দন অঙৌবা পান্বীগী থালগী চাং ৱাংনা য়াওরবা উ অদু ঈশিং খরা হাপ্তুনা নূঙদা তক্লগা লৌবা মহী অদুনা লাইবক্তা চাং নাইনা তৈবদা মৈশা অদু থুনা হন্থহনবা ঙম্মী। হায়রিবা মহী অদু অশোক-অপন তৌবদা তৈরবদি ঈ থোকপা অদু থুনা খকহনবসু ঙম্মী। মীওইবনা শিরগা মৈ থাদুনা পোৎলোইবা অদুদা চা-চন্দনগী উ মচেৎ অমা হাপ্লে। চা-চন্দন অঙৌবা পান্বীগী থাও অদু মখল মখা কয়াগী অকে-অমৌ, পর্ফ্যুম অমসুং মায়তৈ হীদাক শাবদা পাম্না অমদি পাক-শন্না শীজিন্নৈ। ধুপ শাবদসু থাও অদু পাম্না শীজিন্নৈ। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬২**

১) **“কংলা দায়রী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“নুংশিরবা মরুপকী মপাউ”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“মৈচাক-মৈৱায়রবা ঈরমদম”** হায়রিবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে?

৪) **“চীংলোনগী ৱারী শীংবুন”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৫) **“মোৎলবসু মোৎনা নমথীরবসু নমথীনা/নুমিদাংগী লংলবা থাবলদা নৎত্রগা থামম্লবা অহিংদা/ট্যুব লাইটকী লুপা মচুগী মৈঙালদা/নম্বুল তুরেলগী দৃশ্য শাথীনা ফজৈ!”** শৈরেং অসি অইবা কনাগী করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।